ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ সেন্টরশিংদা হৌনখিবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ৱাংখেমদা চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখিবা

ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ থৌবাল ওক্রমদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা থৌবাল এ সী য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটিগী থৌমীশিংনা চাক্লেন য়াওনা মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি পি পি ঈনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মীতৈনা লুপা লাখ ১গী শেনফম পুথোক্তুনা পিপলস ক্যের ফন্দ লল্লাই থবক থৌরমশিং হৌদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখিবা

এম এস এম ঈগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ব্লেকিনা লংথবাল এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা খুৎশিন্নখিবা

ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চহী ১৮ অমদি মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিং কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা টিকা থাবগী থবক হৌখিবা মে ১৭তা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর খাঙবোক্তা হৌদোকখিবগা লোয়ননা ঐচ দব্লিয়ু সী ৱাংখেমদসু টিকা থাবগী থবক ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচা, সী ঐচ সী য়াইরিপোককী ডা. ইবোচৌবা, কম্যুনিটি হেল্থ ওফিসর কুঞ্জেশ্বর অমদি অতৈ ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবাল ডা. মেমচানা হায়খি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চয়োল অমদা য়ুমশকৈশা খূদিংগী চহী ১৮ দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক নিংথৌকাবা খূদিংগী অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা এপোইন্টমেন্ট এন্দ সেদ্যুল কোৱিন পোর্টেলদা চঙলগা লৌবীয়ু হায়না আপীল তৌরকখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) : শক্লাইরবা অইবা ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসম অমসুং থাঙ-তা য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মুতুম অরুনকুমার মীতৈনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি এল কিশোরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসম শক্লাইরবা নোভেলিষ্ট, ৱারীমচা ইবা, শৈরেংবা, লিরিসিষ্ট অমদি ত্রান্সলেটর অমনি। মশামক ডোক্তর অমা ওইজরবসু লিটরেচরদা থৱায় য়াওজবা মীশকনি। মহাক সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগী মথক্তা লিটরেচরগী লমদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০১১সু ফংখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা পুথোকপা ইংলিস জর্নেল মণিপুরী কলচর এন্দ লিটরেচরগী এদিটরসু মহাক্লা ওইরমখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরী লিটরেচরগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি।

থাঙ-তাগী লমদা শকখঙলবা মুতুম অরুনকুমার মীতৈ থাঙ-তাগী লমদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০১৬-১৭ ফংখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমদি লৈহৌরগনি।

লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যেয়র্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) : অসাম রাইফলসকী তেংনৌপল বট্টালিয়ন অমসুং ১৬৫ বট্টালিয়ননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লোকচাও ভিলেজদা কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লা চৎননবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংদা সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবসু য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

অশিবা হকচাং মশক খঙবা ঙমদ্রি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগা কোনবা কোইরেঙ্গৈগী কৈকোন মনাক্কী ওইল পম্প ময়াদা থা অসিগী ১৩গী নুংথিলদা শিরগা লৈরম্বা নুপা অদু ঙসি ফাওবা মশক খঙবা ঙমদনা লৈরি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদু য়েংবদা নন-লোকেল মাল্লি, মশা পাই, মহাক চহী ৩০দগী ৪৫ রোমগী লেঙ্গা মাল্লি, ফিট মঙাগা ইঞ্চি অহুম ৱাংই, অমুবা লোংপেন্ট অমা শেৎলি, অঙাংবা হাফপেন্ট শেৎলম্মী, গ্রে মচুগী টি সার্ট অমা লিৎলি, মশাসু কুচু মুই। হৌজিক অশিবা হকচাং অদু দিকম্পোজ ওইরে। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। অশিবা হকচাং অদু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ক্লেম তৌদ্রবদি দিস্পোজ তৌথোক্লগনি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবকশিং হেন্না য়াঙশিন্না লৌখৎপীনবা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি : এমসু

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী মমল য়াম্লবা পুন্সিশিং কন্ননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবকশিং হেন্না য়াঙনা লৌখৎপীননবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখৈময়ুম রিমাকননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী মরুওইবা থেংনদবা য়াদ্রবা লাম্হেং অমা ওইনা মীওইবশিংগী হকচাংদা লান্দারক্লিবা তমথিরবা কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিনা ঙসিদি ইরমদম অসিগী মীয়ামদা রেদ লাইন য়ৌনা চৈথেং পীরক্লে। তমথীরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া য়োৎশিনখিনবা হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা লান্দারক্লি। মতাং অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎতুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা কন্না হোৎনরিবা অসিদা পোজিটিভ ওইবা অনাবা মশীং য়ামশিল্লকপনা লায়েং-লায়েংনা লৈখিদবা মশীং য়ামশিল্লক্লিবা হীরম অসিদা য়েংশিন্ননবা লৈঙাক্লা শেমখিবা কন্মিটি মেম্বরশিংনা খরা হেন্না এক্টিভ ওইনা য়েংশিনবীনবা এমসুনা আপীল তৌজরি।

লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনসু পেসেন্টশিং চেকশিন্না য়েংবীনবা হোৎনবীনবা মহৈরোয় লূপ অসিনা হায়জরি। অনাবা মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা অনা লায়েংশঙ মশীং য়ামখৎহন্নবা অমদি হৌজিক লায়েংলিবা হোস্পিটালশিং বেদ মশীং হেনগৎননবগী অমদি হৌজিক প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদা লায়না অসিগী লায়েংফম হাংলিবা অসিগী মথক্তা অনৌবা লৈঙাক্তা রেজিষ্টর তৌরবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং খনগৎলগা লৌশিনবীনবা থবক লৌখৎপীদুনা ফমুং ফংনদবগী খুদোংচাদবা অসি কোকহন্দুনা মমল য়াম্লবা পুন্সিশিং কন্ননবা হীরম অসিদা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবকশিং হেন্না য়াঙনা লৌখৎপীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

অমরোমদা মীওইবগী পুন্সি মাঙহন্নবা লান্দারক্লিবা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী কল্লবা শাফু অসিগী ৱানরবা মতম অসিদা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম অমা ওইরিবা চানবা চেঙ লৈঙাক্লা এ সী খূদিংগী য়েল্লিবা অসিদা ইরমদম অসিগী লৈকায় কয়াদা চেঙ কে জি শুনা য়েন্দ্রে হায়বগী ৱাথোক অমুক লাক্লিবা অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি এ সীশিংগী মীহুৎশিংনা মতম চানা য়েংশিনবীদুনা অৱাবা তারবশিংদা লৈঙাক্লা তেংবাঙলিবা অসিগী মহৈ য়ালহনবীনবা মর লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরিবা ইশা-ইশানা চেকশিন্নবা মতম-মতমগী লৈঙাক্লা পীরকপা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎমিন্ননবা অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকচনবা হেল্থ এক্সপার্টশিংনা পীবা ইশানা য়ুম-য়ুমদা তৌজবা য়াবা থবকশিং তৌবীনবা মীয়ামদা পাউজেঞ্জরি। তমথিরবা লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা অয়ুক নুংথিল নুমীদাং খায়দনা মীয়াম্বু ঙাক শেল্লিবা মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিংবুসু মহৈরোয় লূপ অসিনা অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি লোয়ননা মীয়াম্না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা তঙাইফদবা থবক্কী নত্তনা য়ুমদগী মতম খরা হেন্দোক্তনা লৈবীনবসু আপীল তৌজরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লায়রবনা মশীং য়াম্না খুন্দাবা ইরমদম অসিগী মীয়াম্না কোভিদ লাইচৎ অসিদা থেংনরিবা অৱা-অনা কয়া অসিদা ইশা-ইশাগী অঙম-অঙম্বা লেভেলদা থম্মোয়গী শেংলবা লৈজবা খর-খরদা ওইরবসু তেংবাঙ পীনদুনা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা অফবা মায়কৈ অমদা লাক্লিবা অসি মহৈরোয় লূপ অসিনা তেংবাঙবীরিবশিংবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরনা ইশাগী মিংচৎ খক্কী খল্লগা তেংবাঙবীবা তৌবীদনবা হায়জরি। লাইচৎ অসি থেংনবদা লৈঙাক্লা হায়রকপা মতম অমদা হেক্তা তেংবাঙনবা মহৈরোয় লূপ অসিগী থৌমীশিংনা শেম শাদুনা লৈরে।

কোভিদ লায়না লাইচৎ অসি লাম্হেংনবগী থবক হেন্না য়াংশিনবা ঙম্নবা হেল্থকী মেন পৱার হেনগৎননবা থবক লাউথোকপীবগা লোয়ননা লায়না অসি টেষ্ট তৌবগী মশীং হেনগৎহন্ননবা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা হৌজিক চথরিবা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি য়াঙশিন্না চথবা ঙম্নবা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল লৌখৎপীনবসু আপীল তৌজরি। লাইচৎ অসি থেংন-থেংননা তুং কোয়না থেংনবা ঙম্নবা অশানবা মীৎয়েং অমদা হেল্থকী লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহন্নবা লোয়ননা মথৌ তাবা হেল্থকী মেন পৱারশিং শেম শাদুনা লাইচৎ অসিগী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা তারবসু থেংনবা ঙম্নবা মাঙজৌননা অনৌবা হোস্পিটাল অমদি অহেনবা ওক্সিজেন প্লান্ট লিংখৎনবা থৌরাং তৌদুনা থমহৌনবা এমসুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পিপলস ক্যের ফন্দ লল্লাই সাপম কংলৈপালনা হৌদোকখ্রে : লল্লাই মপারী

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): পিপলস ক্যের ফন্দ লল্লাই পেলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা হৌদোকখ্রে হায়না লল্লাই মপারী থৌগল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ থেংননবা অমদি লাইচৎ অসিনা মাঙহন-তাকহনখ্রবা মতুংদা লল্লাই এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিবু নৌনা হান্নদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙবা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা ঙসি পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা শেল ওইনা লুপা লাখ ১ পুথোক্তুনা পিপলস ক্যের ফন্দ লল্লাইগী থবক থৌরমশিং হৌদোকখ্রে। হীরমসিগা মরী লৈননা সাপম কংলৈপালনা হায়খি, মীওইবা খুন্নাইনা মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী তমথীবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা শীংনরিবসি ঐখোয় খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নদুনা মায়থীবা পীরল্লগা লল্লাই মায়কৈগী মীয়াম হেন্না খুম্মাং চাউশিনবা সোসিও-পোলিটিকো-ইকনমি অমা নৌনা শেমগৎতুনা মীয়ামদা য়াইফবা তুংলমচৎ অমা শেম্বা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। থৌদাং অসি লৌনবগীদমক পিপলস ক্যের ফন্দ অসি তঙাইফদবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

খুন্নাই অসি তুং হন্না চৎপগী মহুৎতা মাঙলোমদা লিখৎনবা ফীভমসু লাইচৎ অসি থেংন-থেংননা শেম্বা তাই। লাইচৎ অসি মায়োক্নবদা লল্লাই মায়কৈদা অনা-লায়েংগী লমদা ইহো হোনা লৈরল্লিবা অৱাৎপা কয়াশিং ঐখোয়না উবা ফংলে। লাইচৎ অসি হেক লোইবগা অহোবা অসি মেনখৎননবা হোৎনগনি। কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা লল্লাই মায়কৈদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাননবা হোস্পিটাল অমা শেমগৎকনি অমদি লল্লাইগী মীয়াম্বু খ্বাইদগী অতাবা মমলদা অৱাংবা থাক্কী অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্ননবা হোৎনগনি।

ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা হেল্থ ষ্ট্রকচর অমসি মীয়াম্না পেন্নিংঙাই ওইবা থাক অদু নত্তে। লল্লাই মায়কৈগী ওইনদি মীয়াম্না মখা তানা অনা-লায়েংদা নংলিবা অৱাবশিং কুমজা ২০২৩দা মপুং ফানা কোকহন্ননবা হোৎনরগনি। ঙসি হৌদোক্লিবা পিপলস ক্যের ফন্দ অসিদা মীয়াম্না অঙন্বা মতেং পাংশিন্দুনা মায় পাক্লা কোভিদ-১৯ থেংনসি। লল্লাই এ সীগী ওইনদি এম এল এ দিসক্কালিফাই তৌখিবদগী য়াম্না লুরবা তানফম অমদা লৈরি। তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মায়কৈ অসিগী মীয়াম্বু কনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি হৌদোকখিবা পিপলস ক্যের ফন্দ অসিদা মখা তানা ইমান্যুএল ইংলিস একাদেমী, য়াইঙংপোকপীগী ফাউন্দর সেক্রেটরি সলাম সুন্দর, সৈজংদা লৈবা সোসল ৱর্কর ৱাইখোম রাকেশ, য়াইঙংপোকপীদগী নিঙোম্থম চনু প্রেমিলা, পুংদোংবমদগী এক্স-প্রধান ইরুংবম রবিনচিংবা পুকচেল চাউরবা কয়ানসু মখা তানা অঙন্বা শেলগী মতেং পাংবীরকখি। পিপলস ক্যের ফন্দ লল্লাইদা মতেং পাংলকপা শেনফমশিং অসিনা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী লায়েং চথরিবা ময়ামদা অঙন্বা মতেং পাংগনি। লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কন্মিটি ময়াম্না হাংবা ভিলেজ লেভেল হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদসু অঙন্বা মতেং পাংগনি। মসিগী মথক্তগা পেন্দেমিক অসিনা শোকহল্লবা মীয়ামদা তেংবাঙবদা শীজিন্নগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শন্দংশেনবা মরিং ভিলেজ ওথোরিটিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): হৌখিবা মে ১৭তা শন্দংশেনবা মরিংনা লৌবুক্তা লৌ খোইবা মতমদা মীওই খরনা ইখঙ খঙহৌদনা নোংমৈ কাপ্পল্লকগা লৌ খোইবা য়ারোই হায়না কোয়তান তান্নখিবা অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না মরী লৈনবশিংনা তৌহনবীগনু হায়না শন্দংশেনবা মরিং ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন কে টি মোথিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অসি সিক্যুরিটিগী মমাঙমক্তুদা থোকখিবনি। মফম অদুদা ঙাক শেল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সনসু করিসু তৌবা ঙমদনা য়েংদুনা লৈখি। হৌজিক অসি লৌ পানবা মতমনি। অকোয়বদা লৈরিবা চীংলৌ পাল্লৌদসু চীংফৌ হুনবা অমদি চহী অমগী চানবা মরূ-মরাং অমত্তা থাবা য়াহন্দ্রে। মীওই খরনা অয়েৎ-অপন পীদুনা মরিংশিংবু ওৎ-নৈরগা লৈররে। অসুম্না অয়েৎপা পীরগা লৈবসিনা চহী অমগী মরূ-মরাং থাজনবগী মতম হেন্দোক্তুনা মথং চহীগী চাননবা পোৎলম অমত্তা লোকপা ফংলরোই। মতাং অসিদা লৈঙাক্লা অথুবদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীননবা হায়জরি।

হায়রিবা মফমসিগী অন্দ্রোগী লৌবুকশিং খোইবদা মরিংনা অয়েৎপা অমত্তা পীদে। অদুবু মরিংনা মশা-মশাগী লৌ খোইবা লাকপদা মীওই খরনা নোংমৈ কাপ্লগা মরিংগী লৌ খোইবদা অথিংবা পীবসি মফমদুদা ঙাক শেল্লিবা সিক্যুরিটিশিংনসু তৌহনবীগনু। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা অথুবদা অকনবা মীৎয়েং চঙলগা য়েংশিনবীদ্রবদি অচৌবা ৱাথোক অমদি ঈৱাং অমা শোয়দনা থোকপা য়ানা লৈরে হায়বসি মপী-মপা ওইরিবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা সেকমাই অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা খম থেংনা শোকহল্লবা সেকমাই অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা ঙসি মরী লৈনবশিংনা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

সেকমাই এ সীগী এম এল এ দিঙ্গোগী লীচিং মখাদা এ সী অসিগী কোভিদ-১৯ ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র গ্রুপ (এস সী এফ দব্লিয়ু জি)না লেপ্তুনা চথুরকপগী শরুক অমা ওইনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈনবা কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী মফমশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈবা সেকমকাই এ সীগী য়ুম ৩০০ রোমদা নোংমগী তঙাইফদবা চানবা পোৎলম মরুওইনা চেঙ, হৱাই, থাউ-থুম, আলু, তিলহৌ, সাপোননচিংবা য়েন্থোকখি।

এ সী অসিদা পাক শন্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি শন্দারকপদগী ইকুই কুইদনা মমাঙদা এম এল এগী লমজিং মখাদা এ সী অসিদা মোবাইল আর এ টি টেষ্ট তৌখিবসু লৈখ্রে। এম এল এনা এ সী অসিগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী চান-থক্লবগী অৱাৎপা অমত্তা লৈহল্লোই হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা মখা তানসু মথৌ তাবা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা চথখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম বি জে পি মন্দলনা এন রাজেন্দ্রো এলিয়স বোয়গী লীচিং মখাদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ য়ৌরকপদগী খুন্দ্রাকপম এ সীদসু ঙসি ফাওবা মীওই ৩০০গী মথক্তা পোজিটিভ ওইরে। লোয়ননা লায়না অসিবু থিংনবা লৈঙাক্লা মণিপুর পুম্বা লোকদাউন থল্লকখিবা অমসুং লৈঙাক্লা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিং খুন্দ্রামপম এ সীগী অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা ঙসি ফাওবা খুন্দ্রাকপম মন্দলনা এন রাজেন্দ্রো এলিয়স বোয়গী লীচিং মখাদা লেপ্পা লৈতনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী মতেং পাংবগী থবক ইমুং ৫০০গী মথক্তা তেংবাঙখ্রে। ঙসিসু এ সিগী মনুং চন্না লৈবা পাঙ্গৈ তেজপুর চিংখু ৱাইতোন, লম্খুই খুন, সরৌথেলনচিংবা খুনশিংদা লৈরিবা ক্লবকী মীওইশিংগা খুৎশম্নরগা তেংবাঙবগী থবক অসি চথখি হায়রি।

মরকসিদা থোংজু পার্ট টুগী কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈবা কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা তোঙান তোঙানবা ইমুংশিংদা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী লীচিং মখাদা থোংজু চিঙ্গোংলৈ মখোঙ দিভেলপমেন্ট ক্লব (টি সী এম দি সী) এন্দ থোংজু কেন্দ্র রিলিফ কন্মিটি (টি কে আর সী)গী মেম্বরশিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

য়ুথ কোংগ্রেসনা চাক্লেন য়াওনা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী পাউতাক মতুংইন্না তমথীরবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি পোজিটিভ ওইরক্লবশিংগী লৈনবগীদমক থৌবাল এ সীগী এম এল এ, ও ইবোবীগী মীৎয়েং মখাদা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ থৌবাল ওক্রমদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)দা ঙসি থৌবাল এসেম্ব্লী য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম রোবার্থ ওক্লেনা লুচিংদুনা য়ুথ কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা সী ঐচ আই সী অসিদা পোজিটিভ ওইদুনা লৈরিবশিং, সী ঐচ আই সী অসিবু ঙাক শেল্লিবা ভলন্টিয়রশিং, দ্যুটি তৌরিবা ষ্টাফ নর্স অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা ঙসি অয়ুক্কী ওইনা চাক্লেন অমা মতেং পাংখ্রে।

মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা ভলন্টিয়রশিং, নর্স অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা শীজিন্ননবা মাস্ক, সেনিটাইজর, পি পি ঈনচিংবা পোৎলম কয়াসু মতেং পাংখ্রে। মতেং পাংবীবগীদমক সী ঐচ আই সী অসিদা লৈরিবা ইনমেটশিং, ভলন্টিয়রশিং, নর্স অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা এম এল এবু অমদি থৌবাল এসেম্ব্লী য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটিবু অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

ঙৱাংসু থৌবাল এসেম্ব্লী য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটিগী ভলন্টিয়রশিংনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা চৎতুনা নোংমদা চঙবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবনি।

আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): রিমসকী ঈ এন টি দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বদা নত্তনা শক্লাইরবা অইবা অমসু ওইরিবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা লৈখিদবদা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শক্লাইরবা অইবা অসিনা লৈখিদবদা সাহিত্যগী লমদা মেনখৎপা ঙমদবা অহাংবা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি।

হান্নগী মিনিষ্টর লাইশোম ললিতনা খঙহৌদনা লৈখিদবদসু আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মহাক লৈখিদবা অসিনা পোলিটিক্সতা মেনখৎপা ঙমদনা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজরি।

এন পি পিগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর বিবেক রাজ ৱাংখেমনা লৈখিদবদসু আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। নহা ওইরিবা পোলিটিসিয়ন অসিনা লৈখিদবা অসিনা পোলিটিক্সতা মেনখৎপা ঙমদবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

এ আরনা কানি কে জি ৫৮ গা কোন্ননা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা খুগাদা লৈবা অসাম রাইফলস বট্টালিয়নগী কাঙবু অমনা ঙসি লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক কানি পুদুনা লাকপা মীওই অনী চুড়াচান্দপুরগী গেলজাং খুল মনাক্তগী ফারে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২গী গেলজাং মনাক্তা সিক্যুরিটি ফোর্স কাঙবুনা চেক তৌবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক লল্লোনবা মীওই অনীনা তোংলকপা গাড়ী অমা খামলগা চেক তৌবদা কানি কে জি ৫৮ গা কোন্ননা ফাগৎখি। কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুগী মমিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোপী ভেং খুনদগী লুলুন চোংলোই অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তগী মনুং চনবা আইগেজাং খুনদগী হাওপু তৌথাংনি। মখোয়দগী ফারবা কানি কে জি ৫৮ অদুগী ভেল্যুসনা মালেমগী কৈতেলদা লুপা লাখ ৩৪.৮ রোম ওইগনি হায়রি। কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদু মখা তানা থিগৎনবা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈরিবা অরোং তেরা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরগী ফীভম হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিদা অথুবা মতমদা কোভিদ টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসনগী থবকসু হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী মিসন দিরেক্টর এন শ্যামজাই, সী এম ও ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াগা লোয়ননা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতাংদা এম এল এ রাধেশ্যামনা হান্না অরোং তেরা প্রাইমারী হেল্থ সব সেন্টর অমা ওইনা লৈরম্বদগী লৈঙাক্লা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ওইরকখ্রবা সেন্টর অসিনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাইজিনদগী নোংমাইখোং ফাওবগী কিলোমিটর ২২ রোম শাংবা মফম অসিদা খুন্দারিবা মীওই লিশিং ৩০ রোমদা মখল কয়াগী কান্নবা পীরি। হায়রিবা মফম অসিদা হৌজিক মালেমগী মীয়াম্না কিনরবা কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসনগী খুদোংচাবদি ঙসি ফাওবা ফংদ্রি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী মহাক্লা লৈঙাক্কী মরী লৈনবাশিংদা হায়জবদগী সেন্টর অসিদা অথুবা মতমদা কোভিদকী টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসনগী থবক অসি হৌবা য়াবগী অয়াবা অসি পুরকখিবনি। মরম অসিনা সেন্টর অসিদা হায়রিবা থবক অসি অথুবদা হৌদুনা সেকমাইজিনদগী নোংমাইখোং ফাওবদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ টেষ্ট তৌবা অমদি ভেক্সিনেসন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরম্বা অদু কোকহল্লগনি। মসিগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং হৌনবা মথৌ তাবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকসু হৌহল্লগনি হায়খি।

রোবিন ব্লেকিনা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): এম এস এম ঈগী নেসনল বোর্দ মেম্বর ওইবগী মথক্তা এম পি রাজ্য সভাগী পোলিটিকেল এদভাইজরসু ওইরিবা রোবিন ব্লেকিনা বি জে পিগী নেসনল প্রোগ্রাম সেবাহি সংঘথর্নগী মনুং চন্না লংথবাল এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ুমথোঙ কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

আলু, অচাথাউ, হৱাই মঙ্গল, থুম, সাপোন, সর্ফ, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু এম এস এম ঈগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ব্লেকিনা লুচিংদুনা লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী ভাইস চ্যেরপর্সন অরাম্বম ওমিবালা, কাউন্সীল অসিগী এক্স-চ্যেরপর্সন নিংথৌজম সোরোজিনি, বি জে পি লংথবাল মন্দলগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীল্লর মাইবম জয়কুমার, হিয়াংথাং জি পি নরান কোঞ্জিনগী ৱার্দ নম্বর ৯গী মেম্বর থিংনাম শরত অমদি বি জে পি লংথবাল মন্দলগী থৌমী কয়াগা লোয়ননা কোভিদকী অৱাবা নংলবা ইমুংশিংগীদমক করাম মখা লৈকায়দা লৈবা করাম য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন অমদি নরান কোঞ্জিন ময়াই লৈকায়দা লৈবা সনফ্লৱার ক্লবতা খুৎশিন্নখি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা রোবিন ব্লেকিনা হায়খি, তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎসি। মীয়াম্না ভেক্সিনসু কাপথোকপীয়ু। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিংদা তেংবাঙ পীবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

থিয়াম ইবোহলনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): ময়াম্নদি কবি চাউবা হায়গরসু খঙনখিবা থিয়াম ইবোহলনা ঙরাং মশাগী চহী ৭৯ চঙলকপদা মশাগী অনাবা অমনা লৈখিদবদা, রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমারনা লুচিংদুনা ফোরমনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা লাইরল্লেনদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা তাইবং মপুগী মফমদা অমত্তা ওইনা থৌনিজখ্রে হায়না রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম নোটিলালনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, কুমজা ১৯৪২গী দিসেম্বর ২৩দা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা পোকখিবা থিয়াম ইবোহল হুস্ফুগী লোইরমদাইগী মরিফুগী হৌরকপা ফাওবদা মণিপুরী খোরিরোল চাওখৎনবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা মীশক্লি। ইবোহল মীয়াম্না থোইদোক্লা শকখঙনরবা প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বী (নোংমাই পণ্ডিত)না ঐগী ‘আদি গুরু’ হায়না নুংশিনা কৌজখিবা, তিন্নজখিবা মরুপ্নি। শক্লাইরবা কবি থাংজম ইবোপিশকনসু খোরিরোল চঙলকপা মতমগী গুরুনি হায়জখিবা অইবনি হায়রি।

মহাক্কী শৈরেং লাইরিক ‘রেখা’না মহাকপু রোমান্টিক কবি অমনি হায়না শীংথাখি। মহাক্লা ইবা শৈরেংনা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা কুমজা ১৯৬৬তা মমিং লৈরবা কবি কয়াগা লোয়ননা ফোঙখিবা শৈরেংগী এন্থোলোজি ‘লাই অমগী বিন্দু’ গী মিংথোল ওইখি। মহাক্লা ৱাখল চেফোঙদা হাপখিবা ৱারীমচা ‘ইতৈমশী’ হৌজিকসু মীয়াম্না কাউনদ্রি। ইবোহল নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ১৯৬৯-৭০গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইখি। রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী লাইফ মেম্বর ওইবগী মথক্তা থবক থৌরম কয়াদা মকোক চিংদুনা অমসুং পাউতাক পীবিদুনা হোৎনরম্বা মীওইনি।

অসিগুম্লবা মণিপুরী খোরিরোলগীদমক কত্থোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনজরম্বা মীশক অসিনা অসুম্না খঙহৌদনা লৈখিদবসি মণিপুর খোরিরোলগী ওইনদি মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি। রাইটর্স ফোরমনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা খুরুমজরি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, কৈশামথোং লোকল কাওন্সিল, সী পি আইগী মরু ওইবা লুচিংবা ওইরম্বা কমরেদ থিয়াম ইবোহল (কবি চাওবা) সিংহনা মশাগী অনাবা অমনা ঙরাং অয়ূক মহাক্কী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈখিদবদা পার্টিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরিবা কমরেদ নোংমাইথেম দেবেনগী য়ূমদা কমরেদ মশামক্লা প্রসাইদ তৌদুনা ঙসি নুংথিল ফমখিবা কন্দোলেন্স মীফমদা লৈখিদ্রবা কমরেদনা পার্টি অমসুং মীয়ামগী লৌরম্বা থৌদাংশিং শীংথাখি। লৈখিদ্রবা কমরেদকী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনিট অনী তূমীন্না লেপ্পগা লোয়ননা ইমুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।